# সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা নিসা থাংমৈবন্দ অমদি য়ু কে বি মায় পাকখ্রে






ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নিসা থাংমৈবন্দ অমদি য়ু কে বি চুড়চান্দপুর মায় পাক্লুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা নিসা থাংমৈবন্দ অমদি দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা শান্নখিবা মেটচতা নিসানা দব্লিউ ৱাই এফ সিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নিসাগী কোচ কে এস ঐচ বিরবলনা মহাক্কী টিমদা য়াউরিবা এক্সপ্রিরিয়েসন লৈরবা অমদি নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্লুনা দব্লিউ ৱাই এফ সিগী অহৌবশিং থীদুনা চাঙ নায়না এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনবা হৌরকখি।

মসিগী হোৎনজম ফঙদুনা মেটচকী অতেনবা মিনিট ২ দা নিসানা গোল ২ চনবা ঙমখি। নিসানা ফঙখিবা ফ্রি কিক অমদা জর্সি নম্বর ১৮ এল সনাতোম্বনা মিনিট ৫২ দা মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনিট ৫৩ দা টিম অসিগী ফোরেন প্লেয়র জর্সি নম্বর ২৫ ওকোরোগোরনা শাফু কন্না নেমনা কাওশিনখিবা বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা চথরকপা কাউন্টর এটেক অমা থিং ন্ননবা হোৎনবদা নিসাগী এস রোজেননা ৱাই জয়চন্দ্রদা ফাওল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ৱাংজিংগী মায়কৈদা ফঙখি।

পেনাল্টি অদু দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী জর্সি নম্বর ৩ এল থোইবনা মিনিট ৭১ দা গোলদা ওন্থোক্লুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক পুশিনলক্লবা হোৎনখ্রবসু নিসাগী জর্সি নম্বর ২৫ ওকোরোগোরনা দব্লিউ ৱাই এফ সিগী দিফেন্দর ৩ লাম্থোক্লুনা পুশিনলকখিবা বোল অদু গোলদা ওন্থোক্লুনা মিনিট ৮৩ চৎপদা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাক্লবগী অচেৎপা য়ুম্ফম থোনখি।

মেটচ অসিদা নিসা থাংমৈবন্দগী জর্সি নম্বর ৬ এস রোজেন অমদি দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী জর্সি নম্বর ৪ টি নোংপোকঙানবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ আর কে সুনিলদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস, এল রোপেন, এল রোজিৎ অমদি এন সন্তোশনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচতা য়ু কে বিনা রাওবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিট ২ চৎপদা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১১ জোন কামসুৱামাঙনা রাওগী গোল কিপ্পর কামৈ পটিগাবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা লাক্না ফানবা ঙমলোয়দবা মওংদা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোরক্লুনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৬২ দা থাঙমোনলালনা খায়রকপা ক্রোশিংদা জর্সি নম্বর ১৭ থাঙগৌলেননা গোল ওন্থোক্লুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদসু য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নখিবনা মেটচকী মিনিট ৭৭ অমসুং ৭৯ দা গোল ২ মখা তানা হাপচিনবা ঙমখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ জোন কামসুৱাংমাঙ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ পাওলেনশিয়ামনা চন্দুনা মেটচ অসি ৪-০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৩ এল মনি অমসুং য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ২২ মাঙখোলেনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ রঞ্জিৎ, এন সন্তোশ, টি ঐচ কিরনজিৎ অমদি থাও জোনি চোথেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

| Next Match |
| --- |
| 16/12/2019 |
| Match No. 12 |
| MPSC vs JSYC |
| Time : 2.00 pm. |

# ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ই এস য়ু মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখিবা অন্দর-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি মপাল কাঙজেবুংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খেই মায় পাক্লুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এ এম এম এ অন্দ্রো অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা এ এম এম এ বু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপগী মিনিট ৫ দা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী জর্সি নম্বর ২০ হোইনৈ হাটনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মেটচকী মিনিট ২৮ চৎপদা হোইনৈহাটনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু গোল মাঙজিল থারিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা অদুমক বোল পোসিসন হস্তদনা শান্নখিবনা মেটচকী মিনটি ৪৬ তা জর্সি নম্বর ৬ মোইলুনশ্যামনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনিট ৪৭ তা জর্সি নম্বর ১৪ কিমতে লাঞ্জেলনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী মরীশুবা গোল চন্দুনা এ এম এম এ অন্দ্রোবু ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ইবোয়াইমা, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এল ননাও অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ১৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা আই সি এস এ ইরেংবন অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খেনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা আই সি এস এবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিট ৩ দা ই এস য়ু ৱাঙ্খেগী জর্সি নম্বর ৮ হিংনৈলামনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। হাল্ফ মমাঙদা আই সি এস এ ইরেংবননা গোল হন্দোক্লবগী তাঞ্জা ফঙখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ই এস য়ু ৱাঙ্খেনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু টিম অসিনা ফঙখিবা তাঞ্জাশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচকী অঙনবা মিনিটতা হিংনৈলামনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা ই এস য়ু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ওনিল, ৱাই ইঙোবী, কে অজিৎ অমদি কে ঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খা মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী য়ুনিট ১৭ তগী লাকপা ইন্দিয়া রাউন্দ মেনদা আর্চর ৫৬, গর্লসতা ২৬, কম্পাউ গর্লসদা ২৪, বোইজদা ৩৬, রিকপ গর্লসদা ২০ অমদি বোইজদা ৪০না শরুক য়াদুনা লাংমৈদোংগী প্লে গ্রাউন্দদা ৩১ শুবা সেনিয়ার ষ্টেট লেভেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা ৫০ প্লস ৫০ মিটর কম্পাউন্দ ৱুমেনদা সাই আর সিগী পি লিলি চনুনা অহানবা, এস ঐচ মনোরামানা অনীশুবা অমদি এম রুপাননা অহুমশুবা তাখি। ইভেন্ট অসিগী কম্পাউন্দ মেনদা য়ু এ সিগী এম বিক্রমনা অহানবা, এ আর এ সিগী জি রোবার্টনা অনীশুবা অমদি য়ু এ সিগী আর কে প্রিয়াবত্রনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিভিজ্যুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দ কম্পাউন্দ ৱুমেনদা সাই আর সিগী পি লিলিনা অহানবা, এস ঐচ মনোরামানা অনীশুবা অমদি টি ঐচ ইশেম্বীনা অহুমশুবা তাখি। ইভেন্ট অসিগী নুপাগীদা য়ু এ সিগী এম বিক্রমনা অহানবা, জি এ সিগী রমাকান্তনা অনীশুবা অমদি এ আর এ সিগী জি রোবার্টনা অহুমশুবা তাখি।

টিম কম্পাউন্দ মেনদা য়ু এ সিনা পূন্না স্কোর ২২৭ ফঙদুনা অহানবা, এ আর এ সিনা পূন্না স্কোর ২১৯ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি এম পি এস সিনা অহুমশুবা তাখি। টিম কম্পাউন্দ ৱুমেনগীদা সাই আর সিনা পুন্না স্কোর ২০০৪ ফঙদুনা অহানবা অমদি ভি এ এনা পুন্না স্কোর ১৮৬৭ ফঙদুনা অনীশুবা তাখি।

টিম রিকপ ৱুমেনদা এন এস এনা পোইন্ট ৬ ফঙদুনা অহানবা, সাই আর সিনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং ভি এ এনা অহুমশুবা তাখি। টিম রিকপ মেনদা এফ এ সিনা অহানবা, সাই আর সিনা অনীশুবা অমদি এ আর এ সিনা অহুমশুবা তাখি।

৭০ প্লস ৭০ মিটর রিকপ ৱুমেনদা সাই আর সিগী টি ঐচ সনাইনা অহানবা, লুমিনলানা অনীশুবা অমদি বিদিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

ইভেন্ট অসিগী নুপাগীদা এ আর এ সিগী টি ঐচ সনাতোম্বনা অহানবা, এন সুভাসচন্দ্রনা অনীশুবা অমদি এন এস এগী অকোইজম অমরজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিভিজ্যুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দ রিকপ ৱুমেনদা ভি এ এগী কে এস ঐচ মঙলেমসনা অমদি এ আর এ সিগী বিদিয়ানা জোইন্ট ৱিন্নর তাখি। ইভেন্ট অসিগী নুপাগীদা এ আর এ সিগী টি ঐচ সনাতোম্বা অমদি য়ুনিট অসিগী এন সুভাসচন্দ্রনা জোইন্ট ৱিন্নর তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা জিরিবাম কেন্দ্রগী এম এল এ উসাক উদিন, হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# আই এস কে এফ পাংসোইগী করাটেকাজশিং ওকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

গার্জিয়ান এসোসিয়েসন ওফ আই এস কে এফ করাটে ট্রেন্নিং স্কুল পাংসোইনা শীন্দুনা ঙসি পাংসোই পার্ট-১ দা লৈবা ইপূথৌ পাখঙবা ইমা মালেম লৈশা কম্মুনিটি হোলদা হন্দক ওড়িশাদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা আই এস কে এফ নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা অমদি মেদল ফঙলখ্রবা আই এস কে এফ পাংসোইগী শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড ৩০, সিলভর ১২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৮ লৌদুনা ওভর ওল টিম রন্নস অপ তারকখিবনি। ষ্টেটকী মেদলশিং অদুগী মনুংদা পাংসোই ট্রেন্নিং সেন্টর অসিগী করাটিকাশিংনা গোল্ড ১৯, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ লৌবা ঙমখিবনি।

ট্রেন্নিং সেন্টর অসিগী মেদল লৌরকখ্রবা করাটিকশিং অদুদি-প্রতিক দহাননা গোল্ড ২, মুতুম দিক্সননা গোল্ড ২, লোইতোংবম সাউলিননা গোল্ড ১, চোংথাম জিনিয়ানা গোল্ড ২, অতোম শ্বাম্মিনা গোল্ড ১, অরাধিয়া বিন্দ্রনা গোল্ড ২, মোরিনা ঙাশেকপমনা গোল্ড ২, তখেলম্বম প্রদিপনা গোল্ড ১, অনকিট প্রসাদনা গোল্ড ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১, লাইশ্রম য়াইফবনা গোল্ড ২, নিভাসন থোঙামনা ব্রোঞ্জ ২, লোইতোংবম প্রেমজিৎনা গোল্ড ২ অমদি সৌগ্রাকপম গুনাচান্দনা বোল্ড ২ লৌখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈন্না চহী অসিগী নবেম্বরদা ধকাদা পাঙথোকখিবা সাউঠ এসিয়ান করাটে চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী খাঙেম্বম রোশনি চনুবুসু পূক্নিং থৌগৎখি।

# মণিপুরনা দিল্লিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ন্যু দিল্লিগী এম দি সি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৩ দগী হৌদুনা ২৫ ফাওবা চথগদবা ৪৮ শুবা নেহরু জুনিয়র হোক্কী টুর্নামেন্ট ( বোইজ য়ু-১৭) কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-এফকী মেটচতা মণিপুরগী নোংচুপ ইম্ফাল শাগোলতোংবা হায় স্কুলনা দিল্লিগী ৱান থাউজন্দ হোক্কী লেকপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু অনীশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ১৯ অমসুং ২৬ তা আই রোহিটনা চনখি। মেটচ অসিগী হিরো ওফ দি মেটচনা মণিপুরগী এল রাজনা তাখি।

# এল সি সি সি লিল্লোং চজিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্লুনা চথরিবা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ১০ শুবা মেটচতা এল সি সি সি লিলোং চজিংনা দি এস য়ু ক্লাকৈথেলবু রন ৮৬ তা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা দি এস য়ুনা ওভর ২৪.২ তা ৱিকেট ১০ মক অউট ওইরগা রন ৯২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮৬ তা মায়থিবা নঙখি।

লিল্লোং চজিংগী বেট্টিংদা ৱাই জিলাঙম্বনা রন ৫৫, এস রাকেসনা রন ৫০ লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লিংদা কে সোমোজিৎনা ৱিকেট ২ লৌখি। দি এস য়ুগী বেট্টিংদা চিঙতমনা রন ৩৫ লৌখি। লিল্লোং চজিংগী বোল্লিংদা সঞ্জিনি ৱিকেট ৪ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা লিলোং চজিংগী রন ৫৫ অমসুং ৱিকেট ১ লৌখিবা জি লাঙম্বনা তাখি। হয়েং নপ্পা অমদি মোদেল ক্লবগা শান্নগনি।

# নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ষ্টেটকী শান্নরোইশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়ান বোডি বিল্ডরস ফেদরেসন ( আই বি বি এফ) কী মীৎয়েং মখাদা ইং ২০২০গী ফেব্রুৱারি ১ অমসুং ২ দা অন্দ্র প্রদেশকী ইষ্ট গোদাবরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা জুনিয়র, মাষ্টর, দিভয়াং অমদি জুনিয়র মেন স্পোর্টস, জুনিয়র ৱুমেন মোদেল ফিজিক্স, লেদিস ৱুমেন ফিজিক্স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০ অমসুং ইং ২০২০গী ফেব্রুৱারি ২৯ দগী মার্চ ১ ফাওবা দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯ শুবা ফেদরেসন কপ নেসনেল বোডি বিল্ডর চেম্পিয়দিন্সপ ২০২০ দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ান্নবগীদমক ওল মণিপুর বোডি এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিং খনখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি এন নরেস, ঐচ জেনিস, সকিবুর য়ুমখায়বম, ওইনাম তেনিসন, হেন্নরি, সহবাস, দব্লিউ সঙোয়, সনাজাওবা, সোইবম অনন্দ, খোন্দ্রাম কিসন, নেলসন নোংমৈকাপম, সি ঐচ সঞ্জু, এম অমর, কে ঐচ ৱাসিংতন, নিরঞ্জয় শর্ম্মা, এম জয়চন্দ্র, ৱাই চিংলেন, এম দি অনাস, এন জয়েন্ত, ইদরিস খান, রোনাল্ডো, লমখৈঙমবা, জেনিকা নাওরেমনি।

টিম অসি এন রঞ্জিৎনা মেনেজর অদুগা এন কিসননা কোচ ওইনা লুচিঙগনি।

দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি এন নেতা, ৱাই রঞ্জয়, সহাবাস, খুমুকচম ৱারেন, দব্লিউ সঞ্জয়, কে ঐচ ৱাশিংতন, এস অনন্দ, সি ঐচ সঞ্জু, আর কে সুরেস, এল রিশিকান্ত অমদি এন গুনেশ্বরনি।

টিম অসি বিপিন নোংমাইথেমনা মেনেজর অদুগা এন কিসননা কোচ ওইনা লুচিঙগনি।

# মাধোপ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৭ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্লুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০ শান্নবা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা আই ই দি ই এফ এগী প্রসিদেন্ট সুরঞ্জয় ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্ররজিৎ, দোন্নর ফেমিলি কে ওলেন, প্রধান পেত্রিক গোলমৈ, প্রধান এম লোকেন, এক্স প্রধান দব্লিউ বিরলা অমদি টুর্নামেন্ট কম্মীটিগী চিয়রমেন টি ইতোবীনা মথংশীৎনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগকী অহানবা মেটচতা এস এস সি শেক্তানা ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পুবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এস সি শেক্তাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ৱাই কিটরসেননা মিনিট ৭, জর্সি নম্বর ১৭ এম অশাচন্দ্রনা মিনিট ২৫ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এম বিগয়ান্দনা মিনিট ৬৬ তা চনখি। মায়থিরবা ষ্টার ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ এল জোন্সননা মিনিট ৪ চৎপদা চনখি।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ-বিগী এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি কে এস দি সি খোঙমিদোকগা শান্নগনি।

# এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

উৎলৌ এফ সিনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ২৮ না শরুক য়াদুনা উৎলৌ কাঙজৈবুংদা অহানবা ভিলেজ ওপন ৭ এসাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উৎলৌ এফ সি সেনিয়র টিমনা মণিপুর য়ুনাইটেদপু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

টিম ২৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি মথং থাগী অহানবা চয়োল ফাওবা চথগনি

# ৱিন্টর গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অমা চুপ্পা চথগদবা চহী ৬ তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রাসরুট লেভেল শান্নরোইশিংগী ওইবা ৬ শুবা ৱিন্টর গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৯-২০ অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা ঙসিদগী মোইরাং মল্টি প্রপজ গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

নুপামচা অমসুং নুপীমচা পূন্না ১৫০ না শরুক য়াঁদুনা গ্রাসরুট লিদর টি ঐচ সুরেন্দ্রনা তাকপী তম্বীগদৌরিবা কোচিং অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ( দি এফ এ) মোইরাংগী প্রসিদেন্ট কুমাম য়াইমা, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কুমাম বিরেন অমদি ফুটবোলগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# তোংব্রম সুবোল নীংশিং ভেটরান টি -২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা মরীশুবা তোঙব্রম সুবোল নীংশিং ভেটরান টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এডমিসন তৌবগী অরোয়বা মতম থা অসিগী ২১ ফাওবনি। এডমিসন ফিনা লুপা লিশিং ২৫০০ ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসি চহী ৩৫ মথক্তা লৈবশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

ফিক্সচর দ্রোনা শাগোলবন্দ মন্ত্রি লৈকাইদা লৈবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ওফিসতা থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা এসোসিয়েসন অসিগী ত্রেজর এম রাজেন্দ্রোদগী অকূপ্পা মরোল খঙল্লবা য়াগনি হায়রি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*